থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# ৱাখল'না পুন্সি-মশক লেপ্পরা ?

ঐহাক'কুম্বা মীচম অমগা, ঐখোয়না 'মায় পাকপা, অচৌবা মী'নি খন্নরিবা মীশক অমগা খেন্নরিবসি করিদনো? তোঙান-তোঙানবা মীদগী মান্নদবা পাউখুম ফংগনি। মমা-মপানা কৈরাক থারকপা হৌরকফম-জাৎ ফরকপা, মীচং-শঙ্গ লৈবা, মারয়বক্না চানবা ... অসিনচিংবা মরম কয়া পীরক্কনি কনাগুম্বা অমনা মায় পাকখিবা, অচৌবা মী ওইখিবগী। ইমা-ইপা-শাগৈ-নাতৈ কনাদগী সপ্পোর্ট-সিষ্টেম লৈখিদবা, মরায়বক্না তাথীখিবা, নোংদম্বনা মায়োক্তা লেপখিবা, চরা নাম্মা হেনখিবা, হাংলবা চাকখাওসিগীদমক লান্থেংনরিঙৈ পুন্সি মশক খঙখিদবা ... অসিনচিংবা ৱারীসিনা মহাক্না মায়থিরবা পুন্সি লাল্লোয় ওইখিবগী মরমনি। চুম্মী/লাল্লি মরৈ অদু য়েৎচরোই। মান্নদবা মরম অমত্তং নীংশিংজগে তৌবনি। ... অচৌবা মী অমগা, মী মচা ঐখোয়গা খেন্নরিবসি 'ৱাখল খুৎখন' অদুদনি ...। য়াবীনিংদবরা?

থবক অমা তৌরমদাই, থবক্তুদা শোয়দনা মায়থিরগদবা মীশক অদুনা 'থবক্তু তৌবদা থেংনরক্কদবা/মায়োক্নরক্কদবা খুদোংথিবা/খুদোংচাদবশিংদু হান্না উই'। অদুগা, শোয়দনা মায় পাক্লগদবা মীশিংদুনা 'থবক্তু শোয়দনবা পাঙথোকপদা দরকার ওইবা পাম্বৈশিংদু হান্না উই'। অনীসিগী বেসিক দিফরেন্স, 'ৱাখল খুৎখন' অদুনি, ৱাখলগী খেন্নবা অদুনা 'থবক খুৎতৌ' অনীদুসু মান্নহল্লক্তে। 'খুদোংথিবদি হৌনরগা লাকই' ... ৱাহায় অমা শেল্লমলিবসি, খুদোংথিবা মীকুপশিংদু হান্ননা মখুৎ শম্নরগা লৈরম্বা নত্তে, ঐনা খল্লুরিবা ৱাখলদুনা লমজিংদুনা তৌরুরিবা থবকশিং অদুনা খুদোংথীনিংঙাই ওইবা ফীভমশিংদু ওইহল্লকপনি।

ঐখোয়না তোয়না তানরবা ফাগি অমখক নীংশিংসি। অয়ুক খুদিং, নীংথম-কালেন, নোংজু-নুংশা খঙদনা 'ৱার্কিং' চৎপা অনোয়বা নুপা অমা উরগা হায়... মহাক্না ৱার্কিং চৎলিবসি নোয়বা হন্থনবনি'। ময়াঙ কংবা নুপা অমনা চৎলগনা ... 'মশা ফগৎলক্কবা, চাবা য়ানবা, নোয়খৎলক্কবনি'। 'ৱাকিং চৎপা' হায়বা থবক্তুগী 'পর্পজ'দুদা করেম্নদুনা হায়নবা ফাগিনি। ফাগিসিদা শীজিন্নরিবা করেম্না ৱাহৈ অনীসি করম্বনা অচুম্বনো? অদোম শোয়দনা হায়রক্কনি - অনীমক অচুম্বনি। মরমদি, থবক অমা তৌবগী ফংফম থোকপা মহয়সি - তৌরিবা থবক অদুগী মখা পোন্দে, থবক্তু তৌরিবা মীদুগী 'ৱাখল খুনখন' অদুগী মখা পোল্লি। চাপ মান্নবা থবক অমা, মীশক অনীনা তৌবদা অনীদুগী ৱাখল (পর্পজ) অদু মান্নরল্লোই। মহৈরোয় ৪০-৫০ লৈবা ক্লাস অমদা ওজানা পীরিবা লেকচর/তাক্লিবা পারা অদু তারগা মহৈরোয় ময়াম অদুনা মশা মরোমদোম ৱারেপ্নজৈ - ঐহাক নোংমদি মমিং চৎপা দাক্তর অমা ওইগনি ... নৎত্রগা, এঞ্জিনিয়র, লোয়র, প্রোফেসর, সাইন্টিষ্ট, পুলিস ওফিসর ওইগনি ... অসিনচিংবা। অসুম্না খনখিবা ৱাখলদুগী মতুং ইন্না, মান্নদবা লাইরিক পারকই, মান্নদবা থবক তৌরকই, মান্নদবা মী ওইরকই - খরনা মায় পাকপা, খরনা চন্নফম খঙদ্রবা ! থায়না, আই আই টি (ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি) বেম্বেদা এঞ্জিনিয়রিং তম্লকখিবা ঐগী মরুপ অমনা পাউ অমা তমখি। জপানিজ অমসু মাগা ক্লাসমেত ওইনা তম্মীন্নরকখি। হোষ্টেলদসু রুম-মেত ওইরকখি হায়। ফাইনেল ইয়রগী ফাইনেল একজাম থারমদাই, ক্লাস লোইরদুনা প্রিপরেসন কন্না তৌনরকপদুদা জপানিজ ফ্রেন্দ অদুনা ময়ুমদা হন্নবা মফি মরোল য়োম্লকখি। 'কৈদৌরে? একজাম থাররোইদ্রা ?' মহাক্না হংলুবদুদা খুম্লকখি হায়, ... 'ঐহাক হৌজিক কোর্স লোইরে, তম্বা লোইরে, এগজামসি কৈদৌনবনো'? 'করিনো, নঙবু ঙাওরবরা ... এগজাম অসি থাদনা দিগ্রী-সর্টিফিকেট করম লৌগনি'? জপানিজ মহৈরোয় অদুনা নোক্লগা খুম্লমখি হায়বা পাউখুমদু, মতমদুদা শক্তমগা কোন্ননা ৱাখলনা শাগৎখিবা, শক্তমদুমক ঙসিসু শং শং উরি ... 'দিগ্রী? ... সর্টিফিকেট ? চেজেৎ অদুগী চন্নফম লৈতে ঐখোয়' জপানদা ... ঐহাক চহী ৪ ইন্দিয়াগী আই আই টিদা এঞ্জিনিয়রিং তম্লুরে, তম্লুরিবা কোর্স অদুদগী লৈফম থোকপা নোলেজদু লৈরবরা হায়বগী চাংয়েং অমা ঐনা থবক তৌগে চঙলুরিবা কম্পনিগী এক্সপার্টশিংনা লৌগনি, আই হেব তু প্রুভ মাইসেল্ফ দেৎ আই এম ক্বালিফাইদ ... চেজেত্তুনা (সর্টিফিকেত্তুনা) ঐগী ক্বালিফিকেসনগী প্রুফ নত্তে' ... ৱারীসিগী চন্নফম ইন্দিয়াদদি সুপলৈ লৈতে। মরমদি 'ইন্দিয়ন' অমদি 'জপানিজ' অনী অসিগী 'ৱাখল খুৎখন' মান্নদে।

অনোয়বা মীদা দাক্তরশিংনা পাউতাক পী - চাবা ককথৌ, নোয়মল্লে, লায়না কয়াগী মকোন ওইরক্লনি। য়াংগংবা অমদনা হায়গনি - মচি ওইবা চীঞ্জাক চাও। ঐখোয়নসু হায় মরমদি, হকচাং নোয়বা নৎত্রগা কংবসি য়াম্না চাবা নৎত্রগা চাদবগী মখা পোল্লি - পুম্নমক্কী ৱাখলনি। চুম্বোই নীংই ঐখোয়সু। অদুবু, 'চাগনবা য়াংগংবা, শুগনবা লায়রবা' হায়ব'মসু হায়নরম্বসিনা নোয়বা-চাউবা-কংবগা চাবগা মরী লৈনদে হায়বা তাকই। 'চাবা' হায়বা থবক্তুগা 'করিগী চারিবনো' হায়বা প্রি-দোমিনেন্ত ওইবা ৱাখলদুগা অনীগী মরীদুনি হেন্না মরু ওইরিবদি। 'নোয়রবা হকচাং অসি কংথহন্নবা ৱার্কিং চৎলিবনি', নৎত্রগা, 'কংথরবা হকচাংসি হেন্না ফিৎ ওইহন্নবা চৎলিবনি' - ৱাকিং চৎলিবা মীশক অনীদুনা খনগদবা ৱাখলদুনি মরু ওইরিবা।

ৱাখল খুৎখন হোংবনা পুন্সিসিদা অওনবা কয়া লাকহনবা য়াই। .. 'ঐগী পুন্সিদি ঐনা শেমজগদবনি, হোংহনগদবসু ঐননি, ঐগী লাইবক্কী মপুদি ঐহাক্লি' ... ৱাখল অসি অদোমগী পুক্নিংদুদা কয়াম কুইনা থম্বীবা ঙম্বগে? য়েংবীয়ু অমুক্তা। ঈশ্বর নীংশিংলক্কনি। 'পুম্নমক্কী মপুদি ঈশ্বরনি' হায়বা পীক্লিঙৈদগী চুশিনখ্রবা ৱাখলসি, 'ঈশানা ইশাগী মপুনি' হায়বা অনৌবা ৱাখলসিনা মহুৎ শীনজিনবা ঙমদে। খনবদি লায়রদুনা, তাবমক্তদা 'কান্নদবা চোইচোলনি' হায়দুনা পুক্নিংসিদগী তান্থোকখি। ৱাখল ফাওবা হোংদোকপা ঙমদবা ঐহাক্না করম্বা পুন্সিকী অনৌবা মহাওনো ফংদৌরিবা ? লেনবা তাবনি হামু হামু হান্নগুম তুমিৎ-কাঙ-হুই-হৌদোংগা য়াওনমিন্নদুনা।

লৌশিং পুক্কে / খোমজিনবা- কৈথেল্লাকপম খুমনঙম্বা

# অদোমগী চাকখুম ফদীদা বেক্তরিয়ানা পীক থন্না য়াওরম্বা য়াই



অনৌবা ষ্টদি অমগী মতুংইন্না য়ুমগী চাকখুমদা কোল-লীক তৈথোক্ল বা থল্লিবা ফদীশিং অসি ফুদ পোইজনিং অমদি অতৈ চীঞ্জাক্তগী পোকপা লায়না কয়া থোকহনবা ঙম্বা বেক্তরিয়াশিংনা পীক থন্না য়াওই হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মাউরিটিয়সগী রিসার্ছরশিংনা থা অমা চুপ্পা শীজিন্নরবা শুদোক্ত্রিবা চাকখুম ফদী ১০০ কলচর তৌখি। ফদীশিং অদুগী মনুংদা তঙ্খায় অমরোমদি বেক্তরিয়া য়াওরম্বা থেংনখি, বেক্তরিয়াশিং অদুগী মনুংদা অয়াম্বদি মীওইবগী ইন্টেষ্টাইনদগী থোক্লকপশিংনি হায়রি।

ষ্টদি অদুগী মকোক থোংবা অথর ওইখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মোরিসসকী দিপার্টমেন্ট ওফ হেল্থ সাইন্সেসকী সিনিয়র লেকচরর শুশিলা দি. বিরঞ্জিয়া-হুর্দোয়েলগী ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, ষ্টদি অসিদা চাকখুমদা ক্রোস-কন্তামিনেসন তৌবদা টাৱেলশিংনা লৌরিবা থৌদাং অমদি মাইক্রোবাইয়ল প্রোফাইলদা শোকহনবা তোঙান তোঙানবা ফেক্তরশিংগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেট তৌরে।

বেক্তিরিয়া য়াওবা থেংনখিবা ফদী ৪৯ অদুগী মনুংদা চাদা ৩৬.৭দা কোলিফোর্ম বেক্তিরিয়া মচা পোক্লম্বা থেংনখি, চাদা ৩৬.৭ অমদনা ইন্টরোকোকস অদুগা চাদা ১৪.৩ অমদনা ষ্টেফাইলাকোকস ওরিয়স মচা পোক্লম্বা থেংনখি।

চাকখুম ফদীগী বেক্তিরিয়া অদুদগী ফদী মপুশিং অদুগী মরমদসু খঙবা ঙম্লম্মী। ইমুং অদুগী মীশিং, অঙাং লৈবা, শেল-থুমগী ফিভম, দাইটকী মখল অমদি শীজিন্নরিবা টাৱেল মখল অদুগী মতুংইন্না য়াওরল্লিবা বেক্তিরিয়াগী মখল অমদি মশিং অদুসু খেন্নরম্বা রিসার্ছরশিংনা থেংনখি।

খুদম ওইনা ষ্টেফাইলোকোকস ওরিয়স হায়রিবা উনশা, নাতোন অমদি খৌনাউদা তোয়না ফংবা বেক্তিরিয়ম অসি অঙাং য়াম্না লৈবা অদুগা শেল থুমগী ফিভম খরা ফত্তবা ইমুংগী ফদীদনা হেন্না য়াওরম্বা থেংনখি।

অদুগা অমরোমদনা, ঈ. কোলাই হায়রিবা বেক্তিরিয়া অসিনা শা-ঙা চাবা মীওইশিংনা শীজিন্নবা টাৱেলদনা হেন্না য়াওরম্বা থেংনখি। ষ্টদি অদুগী মতুংইন্না ঈ. কোলাই অসি মীওইবগী অমাংবদগী কম্মন ওইনা ফংগল্লি, মসিনা তাক্লিবা অসি হাইজিনিক ওইবা ৱাৎলে অমদি অমাংবদা য়াওবা মহীকশিং চাকখুম য়ৌরক্লে হায়বনি।

ষ্টদি অদুনা মসিমসু উৎখি মদুদি- তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিংদা, খুদম ওইনা কোল-লীক তৈথোকপা, খুৎ তৈথোকপা অমদি তেবলনচিংবা তৈথোকপা অসিনচিংবদা শীজিন্নবা ফদিদা বেক্তিরিয়া য়াওবগী চাং হেল্লি। মসিদসু নত্তনা অকংবা ফদীদগীসু অমুক লুম্বু-লুম্বু শাবা অমদি চোৎ চোৎ লাউবা ফদীদনা বেক্তিরিয়া হেন্না য়াওই হায়রি।

কংদবা অমদি তোঙান তোঙানবা থবকশিংদা শীজিন্নবা চাকখুম ফদী হায়বসি পুক্লীং থৌগৎনিংঙাই ওইদে হায়না পল্লদুনা বিরাঞ্জিয়া-হুর্দোয়ালনা হায়, ফুদ পোইজনিং থোকহনবগী মরম ওইরিবা পেথোজেনশিং মচা পোকপদা চোৎ চোৎ লাউবা চাকখুম ফদী অসিনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌই।

য়াওরিবা বেক্তিরিয়া অয়াম্বসি মশা মউ ফবা মীওই অমগী মফমদদি থোইদোক্লা খুদোংথীনিংঙাই ওইদে। অদুমওইনমক ঈ. কোলাই অমদি ষ্টেফাইলোকোকসকুম্বা অকক্লবা পেথোজেনশিংদি ফুদ পোইজনিং থোকহনবগা মরী লৈনৈ। ফুদ পোইজনিং থোকপসিদা ওনীংবা, ওবা, দাইরিয়া, পূক নাবা, লাইহৌনচিংবা থোকহল্লি। লাইওংশিং অসি পুঙ খরদগীনা নুমিৎ কয়ানিফাওবা থেংনবা য়াই।

'বেক্তিরিয়াশিং অসি মখোয়না লৈরোইদবা মফমদা য়ৌখিদুনা মশিং য়ামখৎলক্তুনা শোক্লা শম্নবদা অমদি অতোপ্পা মীওইশিংদা অমদি ফোরেন ওবজেক্টশিংদা শন্দোকখ্রবদি খুদোংথীংনিংঙাই ওই' হায়না ইনকম্পাস হেল্থক্যের এন্দ ৱুন্দ মেদিসিনগী ফাউন্দরসু ওইরিবা ইনফেক্সিয়স দিজিজ স্পিসলিষ্ট ডা. ব্রুস র‍্যবেননা হায়রি।

চাকখুম অসি বেক্তিরিয়াশিংগী মকোন শারম্বা য়াই হায়বগী মতাংদা থিজিনবা হন্দক্কী ষ্টদি অসিনা অহানবা নত্তে। চাকখুমগী সিঙ্ক অমদি দ্রেনশিংদা য়াম্না য়াম্বা চাংদা ঈ. কোলাই য়াওই হায়বা মমাঙদা চথখিবা রিসার্ছশিংদা উৎখ্রে।

বেক্তিরিয়াশিং অসি লুম্বু-লুম্বা শাবা, চোৎ-চোৎ লাউবা ইনভাইরনমেন্ট য়াম্না পাম্মী। মরম অসিনা চাকখুম অসি য়ুমগী খ্বাইদগী মহীক চেনবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবনি। মসিগীসু মথক্তা চাকখুমদা ক্রোস-কন্টামিনেসন লেপ্তুনা থোকই, মসিনা মাইক্রোবশিং ইরায় লায়না শন্দোকই অমদি মশিং য়ামখৎলকই।

**করি তৌগদগে?**

ফদী তোয়না শুদোক্কদবনি অমদি শিন্দোক্কদবনি। 'করিগুম্বা রিয়ুজেবল টাৱেলশিং অসি চাকখুমদা শোয়দনা শীজিন্নগদবা ওইরবদি শৃদ্রিঙৈ মমাঙদা অমুক্তং শীজিন্নগদবনি অমদি মীওই অমখক্তংনা শীজিন্নগদবনি। মীওই অমগা মীওই অমগা কৈদৌনুংদা ফদী পুল্লোইদবনি নৎত্রবদি খুৎ অমদি অতোপ্পা সর্ফেসশিংদগী মহীকশিং শন্দোক্লবগী মরম ওইহল্লি।' হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ এরিজোনাগী মাইক্রোবাইওলোজি প্রোফেসর চার্লস গের্বানা হায়রি।

চাকখুমদা খ্বাইদগী হেন্না মহীকশিং কন্টামিনেসন থোকহনবা অসি ঐখোয়গী খুৎ অসিনি। খুৎ-শা শেংনা হামদোকপা হায়বসি তোয়না পায়নবা পোৎ-চৈশিং লূ নান্না থম্নবগী য়াম্না মরূওইবা অমসুং তৌদবা য়াদ্রবা থৌওং অমনি হায়নসু গের্বানা মখা তারি।

অঙাং অমদি অহল ওইরবা মীওই লৈবা ইমুংদদি হাইজিনগী মতাংদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। মরমদি অনা-অয়েক হায়বসি অসিগুম্বা ইমুংদনা হেন্না থোকপগী রিস্ক ৱাংই।

## কুমজা ২০১৯দা ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী রিপোর্ট ২৬৬ ফংই, ঈকায় খুম্নবা তেমশিংনবসু য়াওরি : ৱাদ

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১২ (ঐচ এন এস): কুমজা ২০১৯দা ৱিমেন এক্সন ফোর দিভলপমেন্ট (ৱাদ) না লোকল পাউচেশিংদগী ফংবা মতুংইন্না ক্রাইম এগেনষ্ট ৱিমেনগী রিপোর্ট ২৬৬ ফংই। মসিগী মনুংদা নুপী হাৎপা ২৬, ঈকায় খুম্নবা তেমশিংনবা ৪২, মশা মতোমতা শিজবা ২০ য়াওরি হায়না ৱাদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱাদনা তোঙান তোঙানবা এন জি ও, সী এস ও অমদি লোকল বোদিশিংগা পুল্লগা কুমজা ২০০১ দগী এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎপগা লোয়ননা ভিক্তিম কয়াবু মতেং পাংদুনা লাক্লি। প্রোগ্রামশিং অসিনা কদায় ফাওবা কান্নবা পুরকপা নৎত্রগা সোসাইটি অসিদা অহোংবা কদায় ফাওবা পুরকপা ঙম্লবগে হায়বা অসিনি। হৌজিক মীয়াম্না কদায় ফাওবা ইস্যু অসিবু সেরিয়স ওইনা লৌরিবগে হায়বা ৱাফম লাক্লি। মণিপুর লৈঙাক্না মীওৎ-মীনৈ হন্থনবা অমদি নুপী-অঙাংগী ফীভম ফগৎনবা করি থৌরাং পায়খৎলিবগে হায়বা অসিনি।

দিভলপমেন্ট হায়রগা ঐখোয়না খন্নরিবা দলাল, অরং-অরাক, লম্বী-থোং ফগৎলগা চাউখৎলে হায়না লৌবা অসিনি। দিভলপমেন্ট হায়বা হীরম অসি মীওইবগী পূক্নিং ৱাখল অমদি হকচাংগী ফীভম ফগৎপা অসি য়াওদ্রবদি চাউখৎপা ওইথোক্তবনি। হৌজিক ঐখোয়না নৈনবা য়ারিবা ৱাফমদি মণিপুর মীয়াম মপুং ওইনা চাদা ৮০ ওইরিবা লৌমী-শিন্মী, ঙামী, ফিশাবীশিং, কৈথেল ফম্বীশিং, চান-থক্লবা পোৎলম পুথোক্লিবশিং, অতৈ কয়া অসি অসুক ৱাবা হেনগৎলক্লিবা করিগীনো। নোংম-নোংমগী মীগী শেন্দোল তোল্লিবনো হায়বা অসিনি। মচা-মশু মহৈ-মশিন মপুং ফানা তমহনবা ঙমদবা, নাকল অমরোমদনা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংনা নোংম-নোংমগী শেল পায়বা হেনগৎলকপা, শো রুম, মোলনচিংবা কয়া শাগৎতুনা অরং-অরাক য়োল্লি। মসিসু গ্লোবেলাইজেসননি। তৌফম থোকপনি। অমরোমদা, মশা মতোমতা শিজবা অমদি অতৈ কয়া অমা থোক্লিবা অসি করি মরমগীনো। মসিদা ঐখোয়না দিভলপমেন্টনি হায়না অসুম য়েংদুনা লৈরসি হায়রিব্রা।

নুপী-অঙাংদা চথরিবা ক্রাইমশিং অসিগী মতাংদা থম্লিংবদি কনানা ভিক্তিম ওই, কনানা মরাল লৈবা হায়বসি খঙবসু য়াওগনি, খঙদবসু য়াওগনি। ফিল্ডদা থবক তৌবা অমা ওইনা ইনাক খুনবা কয়াসু ক্রাইম চথরি। ভিক্তিম ওইহৌরিবীশিং নিংহন্নরি। কনানসু হন্না য়েংদ্রি। নোংম-নোংমগী অৱাবা হেনগৎলক্লি। ষ্টেট লৈঙাক্নসু সেন্ট্রেল গৱর্ণমেন্টকী মখাদা তৌফম থোকপা থবক কয়া তৌরি। মীপুম খুদিংমক্নদি মসি খঙলমগনি হায়বা থাজদে। লাইরিক-লাইশু হৈবসু, হৈতবসু নোংম-নোংমগী অতিয়া পক্না ৱাংখৎলক্লিবা পোৎচৈগী মমল অসি খন্নবা তাই। পব্লিক হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা অনাবশিং হকশেলগী ফংফম থোকপশিং ফংলিব্রা। করিগী প্রাইভেট বেঙ্ক, হোস্পিটাল অমদি স্কুল লাক্লিবনো। পুম্নমক অসি নৈনদবা য়াদবা অমনি। অখঙ-অহৈ কয়ানসু ঙাংলি অমদি নৈনরি। নোংমগী চরা তাল্লিবশিং অসিদি চরা নাম্মা তান্নবা হোৎনবদা অৱাবা ওই। শুদবসু য়াদে। পুম্নমক অসিসু য়াম্না মরুওইবা অমনি। ষ্টেট গৱর্ণমেন্টনা মীয়ামগী থবক ময়াম তৌরি। মসিসু পুম্নমক্না খঙবীরি। অদুবু মপী-মপা ওইবনিনা ৱাকৎফম থোকপগী ৱাকৎপনি। দিপার্টমেন্টশিং, মকোক-থোংবা ফম্নাইবশিং, লৈঙাক্লোয়শিংসু অঙৈং-অশাগী খোঙচৎ মতুংইন্না হোংবা তাবনি। মতৌ করম্না তুংগী মীরোল কনগদগে হায়বসি মীপুম খুদিংমক্না য়াম্না হকচিন্না লৌবগী মথৌ তারক্লি। ওইরক্লিবা ফীভম অসি নুপী-অঙাংগী ফীভমনা কদোমদা লৈগনি। নুপী-অঙাংগী ফীভম ফগৎহনগদগে হায়বসি হকচিন্না লৌদবা য়াদে হায়রি।

ADMISSION OPEN
ꯂꯨꯂꯥꯕꯤ
"LULLABY"
A Child Care Cum Pre-School
Nagamapal RIMS Road Corner, Near Traffic Point
- A co-educational school for Playgroup, Pre-Nursery, Nursery and KG.
- 1 year scholarship to those aspiring students who stood 1st, 2nd and 3rd position in their respective classes.
- A new development in the way of Schooling has been open in our state with the thought of developing both moral and in Physical ways. Come & Join with us in this wonderful world of our journey towards education.
- Total Child Care
- Nutritious Food
- Child Psycological Development
- Well Equipped Playing Facilities
- Accurate Teacher and Child Ratio
- Last date of form submission : 10th January, 2020.
- Session starting from 16th January, 2020.
Kinder pool and twinkle kids system of education
Monthly Tuition Fees are exempted for this academic year as an introductory offer.
6009103078
HL-B/5915/27/12-01/20jan

## কম্মিস্নার শীল্লকপা য়ানিংদে : পি এস ও

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ১২ (ঐচ এন এস): মতম চাদনা কম্মিস্নার/দিরেক্টর শীল্লকপা য়ানিংদে হায়না পাঙল ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (পি এস ও)গী জেনরেল সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লমদম অসিগী সী এস ওশিং অমদি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন কয়ানা তৎতনা মরী লৈনবা মতম-মতমগী লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিন্দুনা লমদম অসিগী মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী অমত্তা ঙাইরবা দিপার্টমেন্ট ওইরিবা মাইনোরিটি এফেয়রস অসি নীংথিনা মথৌ তৌনবা তকশিন্দুনা লাক্লি। থম্মোয় শেংনা থবক তৌরক্কদবা অমসুং মতম চানা মাইনোরিটিশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং ফংহল্লক্কদবা অমদি মান্নবা খুন্নাই অমা ওইবতা নত্তনা চাউখৎপা মণিপুর ওইরক্কনি হায়নিংঙাই লৈতে। হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা দিপার্টমেন্ট অসিদা মঙাল থোক্না থবক থৌরম খুদিংদা প্রোগ্রেস লৈনা থবক তৌরক্লবা মতম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা এম ও বি সীগী এ সী এস অমসুং মাইনোরিটি এফেয়রসকী দিরেক্টর ওইবতা নত্তনা মেম্বর সেক্রেটরি এম ও বি ঈ দি এস ওইরিববু দিপার্টমেন্ট অসিদগী ট্রান্সফর তৌথোকখিবা হায়বসি হকচিন্না লৌই। মণিপুর মীয়াম্না এম ও বি সী অসি অমোৎপা দিপার্টমেন্ট অমা ওইনা উরকপা য়াম্না কুইরে। স্কোলারশিপ, ঈ দি পি, এস দি পি, হাউজিং স্কিম অমসুং কন্সত্রক্সনদা স্কেন্দলগী ৱাথোক কয়া মমাঙদা লৈখি। অদুবু মথৌ খঙবা ওফিসর লৈরকপদগী মওং-মরিল তানা দিপার্টমেন্ট অসিগী থবক থৌরম খূদিংমক খুম্মাং চাউশিল্লক্লি।

মতম চানা মহৈরোয়শিংগী স্কোলারশিপ স্কিম ফংহল্লক্লি। দিপার্টমেন্ট অমগী হেদ ওইরিবা দিরেক্টর, কম্মিস্নারশিং তোয়না শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌরবদি মতৌ করম্না দিপার্টমেন্টকী প্রোগ্রামশিং মপুং ফানা অহোংবা পুরকপা ঙমগনি। মাইনোরিটি এফেয়রসকী দিরেক্টর এন জি উত্তমবু লৈঙাক্না থম্বীনবা পূক্নিং চিংশিল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

TEMPLE OF LEARNING
Kha Naorem Leikai, Canchipur, Imphal, Manipur.
TEMPLE OF LEARNING
ADMISSION OPEN 2020
PRE- NURSERY TO CLASS IX
LIMITED SEATS: FIRST COME FIRST ADMISSION
Admission form available at School Office during office hour ; 10:00 a.m. To 3:00 p.m.
*CONTACT DETAILS: 9612346366 ,9436038156, 7005155523
www.templeoflearning-edu.org / email: tolcanchi@gmail.com
HL-P/5909/11-17jan.

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৩। ১।২০২০, নিংথৌকাবা,
ৱাকচীংগী ১৮ নি পানবা।

**মেষ :** খল্লুদবা কান্নবা ফংগনি, লাই-গুরুনা চানগনি অমদি মীনা ইকাই খুম্নবীগনি। লন চাওখৎকনি অমদি মীয়ামগা লোয়নবগী নুংঙাইবা ফংগনি। মরুপ্নদি ৱারৌগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃষ :** পুং ১০ ফাওবা অফবা খোঙশাল লৈগনি, লল্লোন ইতিক কান্নগনি অমদি লাইবক ফগনি- থেংথরদি মাঙজৈ। য়েক্লবদি হন্থগনি অমদি মীয়াম্না হেন্না থাগৎপিরনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নীংজবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মিথুন :** থেংলপ্না নচাক নরল চাওখৎপা, ৱাখল থোকপা অমদি পন্দুনা লৈরুবা শেল-থুম থৌনা ফুদোকপনা ফংবা য়াবা লৈরে। মরুপ মপাংনদি চানবীবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱাঙাঙ লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

**কর্কট :** অয়ুক্তা লাইবক ফবা লৈগনি অদুনা ঙন্না থৌ পাংহৌ। হেন্না হৈ-পা শাদ্রদি অয়েৎপা লৈরোই, ওইজ-ওইথক শোইদনা ফংগনি। অঙম্বনা য়ানবা চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু।

**সিংহ :** নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্তা চাউনা শেন্দোং ফংগনি অমদি অনীংবা থবক পাংবা য়াগনি। লম চৎপা কান্নবা ফংগনি। অদুবু অনম তাল্লদি পূক্নিং ৱাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**কন্যা :** অয়ুক্তা অফবা ফংগনি- থেংলদি চাদিং হেনগনি। নক্লবা অমদি নথক থোংবনা চানগনি - অদুনা ৱানোম্বা য়াগনি। মীনা থাগৎপিগনি, থবক্কী পাউ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - তপথবা ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**তুলা :** নীংবা থুংগনি, ওইজবা থিবদি শোইদনা কান্নগনি অমদি অনৌবা অফবা থবক পাংবা হৌহৌবা ফগনি। মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা মাঙলোমদা চংশিল্লু-মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**বৃশ্চিক :** থেংলপ্না লাইবক ফগনি অমদি মীয়ামগী মতেং ফংগনি। লৌশিং ফুদোকপা ঙমগনি অদুনা ৱাখল তানদবা লৈরদি তামিন্নবা য়ারগনি। মীতোপ্নদি তাথি।
লৈশা পাখংশিংগী - লান্দবনা মায় পাক্কনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

**ধনু :** মীয়ামগা লোয়নবা কান্নগনি, য়েক্লবা হন্থরনি অমদি ওইজ ওইথক য়াম্না তানশিনবা য়ারগনি। অঙম্বনা কোক শাহনবা য়াবদি লৈ অদুনা নোল্লুক্নদি চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী - লাইবক ফবা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

**মকর :** পুং ১০ ফাওবা য়াম্না ফবা খোঙশাল লৈগনি অমদি ওইজ ওইথক তালহৌবা কান্নগনি। মরুপ-মপাংগী মতেং পংগনি অমদি ৱানোম থৌনোম কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ইকাই খুম্নবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

**কুম্বা :** খ্বাইদগী হেন্না নীংবা থুংগনি, ঙাঙথোকপদা রাশি য়াওগনি অমদি অরং-অরাক লৌশিনবা য়াগনি। য়েৎনবদা মায় পাক্কনি, অফবা লন য়াম্না ফংবৈ নুংঙাইগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/ফৌ।

**মিন :** থেংলপ্না নীংবা থুংগনি, লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা কান্নগনি অমদি য়েক্লবা ময়েং তাগনি। মরুপ-মপাংগা কাইনবগী নুংঙাইতে অমদি মরম চাদনা শেল চৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী - মরী ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।